# “হে ! বাসকেত্তু করিগীদমক্তনো?”
## এন: এ:গী মশানা মশাবু শৌগৎচবগী ফিরেপ

### মেম্বর অমনা হংঙি...

ঐখোয়দা হায়বদদি নার্কোতিক্স এনেনিমশকী মেম্বর ওইবদা করিগুম্বা অমত্তা চঙদে। “অদুওইরবদি বাসকেতসি করিগীনো ?” কনাগুম্বা অমনা খঙহল্লকই, “এন: এ: কাঙলুপশিং মশানা মশাবু শৌগৎচৈ, মপানগী তেংবাং লৌদে। মসিনা ঐখোয়গী ফগৎলকপবু কনাগুম্বা অমগী লম্বেলগী মহুৎতা, ঐখোয়গী ওইবা লম্বেলদা নীংতম্না থিবা ঙমহল্লি। ঐখোয়না শেংনা লৈত্রিঙৈগী মমাঙদা ঐখোয়না লৌশিনবগী অপেনবা নাইখিদে, হন্না-হন্না লৌশিনখি। এন: এ:দা ঐখোয়না ইশাবু শৌগৎচবা হায়বসি তন্নে অমসুং ইশাগী অমদি ঐখোয়গী ফেল্লোশিপকী দায়িত্ব লৌবা হৌরক্লে।

### করিগীদমক ইশাবু-শৌগৎচবা ?

ইশাবু শৌগৎচবা হায়বসি এন: এ:গী লম্বেলদা হিংলিবশিংগী মরুওইবা শরুক অমনি। শীজিন্নরিঙৈ মতমদা, ঐখোয় অয়াম্বা অতোপ্পশিংদা হেন্দোক্না মপান তাংবা থেংনখি। ঐখোয় ইশাগী দায়িত্ব লৌজবা ঙমখিদবা মতমদুদা ঐখোয়গী ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং, থবক মপু, চাওখৎ-থৌরাংগী মীহুৎ, লাইয়েংশঙ অমসুং কৈশুমশঙনা দায়িত্ব লৌখি। ঐখোয়গী অমত্তা ঙায়রবা দায়িত্ব এদিকশনদা ওইখি। ঐখোয়না চৎলুবা মফম খুদিংদা ঐখোয়সি অতোপ্পশিংদা পোৎলুম অমগুম্না ফাওখি। ঐখোয়না মীপাল তাংবা অদুগী মমল অদু মওং কয়ামরুমদা পীখি। মীপান তাংবা অদুনা লৈরিবমখৈ ঐখোয় কৈদৌঙৈদসু মপুং ফানা নীংতম্বা ফংদে। ঐখোয়গী পুন্সিদু ঐখোয় ইশাগী ওইজখিদে। ঐখোয়গী ইশাগীতা খনবা মীপান তাংবগী পুন্সি মরেন্দুনা ঐখোয় ইশাগী ইজৎ পুম্বা মাঙহনখি। খুহিং অদু য়াম্না লৈখা তারবা মওংনি। লৈখা তাবা অসি এন: এ:গী ইশাবু-শৌগৎচবা হায়বা ফিরেপসিগী মতেংনা ফগৎলকপগী লম্বেল অমদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি: ঐখোয়গী ওইবা মওংদা মমল পীরে। মশাবু শৌগৎচবনা ইশাবু ইকায়খুম্নবা অমসুং নীংতম্বা ঐখোয়দা হঞ্জিলহনবদা মতেং ওই। অমসুং এন: এ: কাঙলুপশিংগীসু মসিগা মান্নবা মওংদা চৎথে।

কাঙলুপ কয়ামরুমগী মীতিং নমুনাদা অসিগুম্বা অইবা অসি লৈ : “ঐখোয়গী তরেৎশুবা চৎনরোলনা হায় মদুদি এন: এ: কাঙলুপ খুদিংমক মশানা মশাবু মপুং ফানা শৌগৎচবা ওইগদবনি, মপালগী তেংবাং লৌরোইদবনি। বাসকেৎতা খোমজিনবা পৈশানা কাগী ভারা, সাহিত্য লৈবা, অমদি চান্ন-থক্লবগী খরচ ওইনৈ। মসিনা এন: এ:গী ফগৎলকপগী পাউজেলবু ঐখোয়গী এরিয়া অমসুং পৃথিবীগী অকোয়বদা পুবদা মতেং ওই। ঐখোয়না মতেং দরকার লৈবা মতমদা, এন: এ: কাঙলুপশিং অমদি এন: এ: সেবাশিং লৈ। সেবাশিং অসিবু শেল-থুমগী শৌগৎপা পীনবগী লম্বেলদি বাসকেত্তা শেল থাদবনি”।

এন: এ: সার্ভিসনা ঐখোয় খুদিংমকপু মতেং পাংখি। ঐখোয় অয়াম্বা নার্কোতিক্স এনোনিমশ অসি হোস্পিটাল নৎত্রগা ইন্সটিট্যুশনদা মেম্বরশিংনা সাহিত্য পুরক্তুনা অমদি মখোয়গী ৱারী ঐখোয়গা য়েন্নমিন্নরবা মতমদা তাখি। অতোপ্পশিংনা এন: এ: অসি হেল্পলাইনগা পাউ ফাওনদুনা ঐখোয়গী অহানবা এন: এ: মীতিং য়াওবদা লমজিং ওই। হোস্পিটল অমসুং ইন্সটিট্যুশন্দা ফংলিবা সাহিত্য, টেলিভিজনগী লাউথোকপা অমসুং ফোন লাইনশিং অসি এন: এ:গী সেবাশিংনি। অসিগুম্না সেবাশিং অসি লৈরমদ্রবদি, ঐখোয়না ফগৎলক্লবগী লম্বেল অসি থেংনরম্লোই। এন: এ: সেবানা ঐখোয় খুদিংমকপু অনৌবা পুন্সি অমা ফংহনবদা মতেং পীখি।

ঐখোয়না অহানবা এন: এ: মীতিং চৎপা মতমদা ঐখোয়গা মান্নবা অতোপ্পা মীওইশিংগা ফম্নিন্নরগা ৱারী শান্নৈ। ইহান হানবা ওইনা ঐখোয় নাইতোম তাদ্রে। অতোপ্পসু ঐখোয়গুম্না নুংঙাইতবা অমদি চমন্নবা মায়োক্লখি। অতোপ্পা এদিকশিংগী, মখোয়না এদিকশন অমদি ফগৎলকপগী হকথেংনরকপশিং অদু য়েন্নমিন্নবা ঐখোয়না তাই। মখোয়গী হকথেংনরকপশিং য়েন্নমিন্নবনা ঐখোয়গী থেংনরিবা মংলাক্লবা অসি কোকপা ঙম্লগনি হায়বগী আশা অমা পীখি। হন্না হন্না লাকপদগী, ঐখোয়না অতোপ্পশিংদগী শেংনা হিংবা অমদি লৈবগী মতেং ফংলকখি। ঐখোয়না খঙলক্লে মদুদি দ্রগনা কুপশিল্লুরবা মতুংদসু পুন্সি লম্বেল অমদি লৈরম্মী। ঐখোয়গী ওইজবা ফেলোশিপনা ইদুনা ফোঙজবা অমদি ঐখোয়গী এন: এ: কাঙলুপ্পা লৈরকপা লাইরিক অমসুং মেগাজিনশিং য়ুমদা পুরকখি। সাহিত্যা অদুনা খ্বাইদগী ফবা এন: এ:গী ফগৎলকপগী নমথোক্লবা মওংদা ঐখোয়দা ফংবা ঙমহল্লি। ঐখোয়গী মীতিং মফমশিংদা অতোপ্পা মেম্বরশিংগী ফোন নম্বর লৌখি। নুমিৎ খুদিংগী পাউ ফাওনদুনা ঐখোয় শেংনা অমদি বুদ্ধি তানা লৈনবা হোৎনখি। পুন্নমক য়েংলুরগা, অনৌবা পুন্সি অমগী ঐখোয়না দরকার লৈবা শৌগৎপীবা অসি এন: এ: মীতিংনা ফংহল্লি।

এন: এ:গী মেম্বরশিপনা ঐখোয়গী পুন্সিবু অমুক হন্না ঐখোয়দা ফংহল্লে। অদুমওইনমক এন: এ:গী মেম্বর ওইবদা চঙবা অমত্তা ঙায়রবা পোৎচঙদি শীজিন্নবা লেপ্পগে হায়বগী অপাম্বা অদুতনি হায়রবসু, হক কয়ামরুম মসিগা লোয়নরকই। হকশিংগা লোয়ননা দায়িত্বশিং লাকই। ঐখোয়গী ওইজবা মওংদা খ্বাইদগী তঙায়ফদ্রবা মমল পীবগী হক অমদি দায়িত্বদি - এন: এ:বু মশানা-শৌগৎচবা ওইনবা মতেং পাংবনি। অচঙবা এদিকশন্দা ঐখোয় মতম চুপ্পদা অতোপ্পশিংদা মপান তাংখি। ফগৎলকপদদি, ঐখোয় ইশানা ইশাবু শৌগৎচবা হৌরক্লে, অমসুং ঐখোয়বু শৌগৎলিবা কাঙলুপতুবু ঐখোয়না শৌগৎলি। মতৌ অসুম্না ঐখোয়গী নৌনা ফংবা ইকায়খুম্নবা অমদি নীংতম্বা অদু চেৎনা থম্বদা মতেং ওই।

ঐখোয়দা পীরকখিবা চপ মান্নবা মতেং অদুম্না অতোপ্পশিংদসু য়ৌহন্নবা হোৎনবসি ঐখোয়গী হকনি। লায়েংশঙ অমদি ইন্সটিট্যুশন মনুংদা পুরক্লিবা সাহিত্যা, রেডিও অমদি টেলিভিজন্দা লাউথোকপা, ফোনলাইন, ফগৎলকপগী মচাক ইবা অমদি ফোংবা অমসুং মীতিংদুমক - লোয়না শেল চঙই। এন: এ: কাঙলুপশিং অমদি সেবাশিং শৌগৎনবগী তাঞ্জা অদু ঐখোয়না লৌজদুনা, ঐখোয় ইথন্তগী খুৎ অনীসিনা লাম্বা ফংবা ঙমদবা মফমদা মতেং য়ৌহনবগী খুদোং চাবা অদু বাসকেতনা ঐখোয়দা পী। মদুগী খুদোংচাবদু ঐখোয়না তরাম্না ওকই। ঐখোয়দা লেম্না পীরকখিবা অদু খজিকক্তং হন্না পীথোকখিনবগী তাঞ্জা অমা।

এন: এ:গী ফগৎলকপদা, তাবদা ওইথোক্তবা মানবা অসি বাসকেত্তনা মহুৎ শিল্লি - অতোপ্পদা পীথোকখিবনা ঐখোয় ইশানা ইশাবু মতেং পাংজৈ। বাসকেত্তা শেল থাদবা হায়বসি ঐখোয়গী হকনি অমসুং ঐখোয়গী দায়িত্বনি।

### বাসকেতনা করম্না থবক পাংঙি ?

মেম্বরশিংনা বাসকেত্তা থাদবা পৈশা অদুদগী, কাঙলুপ অদুগী মীতিংগী খরচ ওইনৈ : এন: এ: চেরোল অমদি লাইরিকশিং, ফগৎলকপগী খুদোল, চান-থক্লবা অমদি ভারা। কাঙলুপ অদুনা থাগী খরচ অমদি হৈশিংনা থা অমগী লেংদবা শেন্নিং থমদুনা শেলগী ফিভম ফরবা মতমদা, অহেনবা শেনফমদু তেংবাং ওইনা পীখি।

কাঙলুপ অমনা অচৌবা শেনফম অমা পায়শিন্দুনা লৈরোইদবনি। ঐখোয়না অসুম্না তৌরগদি, ঐখোয়গী নুংগী ফিরেপশিং অসি শোল্ছহন্দুনা *পৈশা, লন-থুম, অমসুং ইজৎকী ভ্রাফম্না ঐখোয়গী অহানবা ইথৌদগী নাথৈহল্লি। মসিনা ঐখোয়গী ভ্রাফম্না ঐখোয়গী অহানবা ইথৌদগী নাথৈহল্লি* । মসিনা ঐখোয়গী প্রোগ্রাম অসিগী নুংগী ওইবা মীৎয়েং অদু ওন্নবদা চৎহল্লি অমসুং ফগৎলকপগী নুংশিৎ অমা শেমগৎপদা অপনবা ওইহল্লি। ঐখোয়গী খোঙথাং তরানিথোই অমসুং চৎনরোল তরানিথোইদা য়ুম্ফম ওইবা নুংগী ফিরেপশিং অসিবু ঐখোয়না খঙবা মথৌ তাই। ঐখোয়না ফিরেপশিং অসিবু থম্মোয় শেংনা ইন্নবা হোৎনরবা মতমদা, ঐখোয়না খঙলে মদুদি পীথোকখিবা হায়বা অসি খক্তনা ঐখোয়গী হক নত্তে, মসিনা ঐখোয়গী ফগৎলকপদা অমসুং ঐখোয়গী নুংগী ওইবা মীকপ থোকপদা ঐখোয়দা চাউরবা মতেং পী। পীথোকখিবা হায়বসি লৌশিনবনি, অমসুং ঐখোয়না হেন্না পীরিবমখৈ, ঐখোয়না হেন্না ফংই - নুংগী, ৱাখলগী অমদি হকচাংগী। মসি কাঙলুপকীদা নত্তনা লন্নাইগীসু চুম্লবনি।

ঐখোয়না এরিয়াগী থাক্তসু এন: এ: সেবাদা মতেং পী। এরিয়া সার্ভিস কমিতি অমনা ঐখোয়গী অহানবা ইথৌ অসি কাঙলুপ অমনা পাঙথোকপা ঙমদবা মওংশিংদা চঙশিল্লি। কাঙলুপকী তেংবাংশিং অমদি এ. এস. সি. অমনা মীতিংগী পরেং অমা শেম্নবগী, মীয়ামদা লাউথোক্লবগী, ঈ-পাউ চৎনবগী, তেংবাংগী ফোন নম্বর, লাইয়েংশঙ নৎত্রগা ইন্সটিট্যুশনদা মেম্বরশিংগী সাহিত্য ফংহনবদা, লাইরিক নম্নবগী খরচ, অমসুং মীয়ামদা ঈ-পাউ পীননবগী সাহিত্যানচিংবগীদমক য়াম্না মরু ওই। ঐখোয়গী তরেৎশুবা চৎনরোলগী ঈস্তুল অসি ঐখোয়গী রিজনেল অমসুং ৱর্ল্ড সার্ভিস সেবাদসু মখা তানা চঙশিল্লি।

ঐখোয়গী অহানবা ইথৌ অসি শেংনা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক্তা, ঐখোয়গী কাঙলুপশিং অসি শেলথুমদগী দায়িত্ব মশক খঙনা চৎকদবনি: অদুম্না তৌরবদি সার্ভিসকী থাক খুদিংমক্তা এন: এ:গী পাউজেল অসি পুবদা মতেং পাংবা ঙমগনি, লৈপাক খুদিংদা, ফগৎলক্লবা থীবা এদিক খুদিংদা।

ঐখোয়গী মীতিংশিং হাংবদা অমদি ঐখোয়গী সেবাশিং চথবদা শেল চংঙি। ঐখোয় মপানগী তেংবাং লৌদে। করিগুম্বা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নদুনা নার্কোতিক্স এনোনিমশ হিংহনদ্রগদি অতোপ্পা কনাগুম্বা অমত্তনা ঐখোয়গীদমক্তা তৌবীরোই। ঐখোয় অতোপ্পা মওং অমত্তদা ফংলোই। ঐখোয়গী ফগৎলকপবু শৌগৎলিবা ফেল্লোশিপ অসিবু ঐখোয়না ইশা ইশাগী দায়িত্ব অদু পাঙথোক্কুনা শৌগৎফম থোকই। ঐখোয়গুম্বা ফগৎলক্লবগী লম্বেল থিরিবা কনাগুম্বা অমত্তা, হেন্না ফবা পুন্সিগী লম্বেল অসি থেংনবগী খুদোংচাবা ফংহন্দনা শিখিবা অদু থোক্তনবা ঐখোয় খুদিংনা তৌবা ঙম্বা অদু তৌফম থোকই। ঐখোয়গুম্বা ফগৎলক্লবগী লম্বেল থিরিবা কনাগুম্বা অমত্তা, হেন্না ফবা পুন্সিগী লম্বেল অসি থেংনবগী খুদোংচাবা ফংহন্দনা শিখিবা অদু থোক্তনবা ঐখোয় খুদিংনা তৌবা ঙম্বা অদু তৌফম থোকই। ঐখোয়না মদু তৌবা মথৌ তাই মরমদি লন্নাইগী ফগৎলকপা - ঐখোয় অমসুং ঐখোয়গী মরুপ এদিকশিং - এন: এ:গী লিংজেল মান্নবদা মখা পোল্লি। এন: এ: মেম্বরশিংগী মতেং য়াওদনা এন: এ: লিংজেল মান্নবা ঙল্লোহ - ঐখোয়। অরোইবা, বাসকেতকী মতেংনা নার্কোতিক্স এনোনিমশকী লিংজেল অদুগী ফোঙদোকফম ওইরকই। ঐখোয়গী অহানবা চৎনরোলনা ঐখোয়দা হায়বগুম্মা, “ঐখোয় পুম্নমক্কী মান্নবা য়াইফবা হায়বসিনা মাঙজিল থাহনগদবনি, লন্নাইগী ফগৎলকপা হায়বসি এন: এ:গী লিংজেল মান্নবগী মখা পোল্লি”।

Copyright © 1998 by
Narcotics Anonymous World Services, Inc.
হক খুদিংমক অফোংবগীনি।

World Service O ce
PO Box 9999
Van Nuys, CA 91409 USA
T 818.773.9999
F 818.700.0700
Website: www.na.org

World Service O ce–CANADA
Mississauga, Ontario

World Service O ce–EUROPE
Brussels, Belgium
T +32/2/646 6012

World Service O ce–IRAN
Tehran, Iran
www.na-iran.org

মশি এনঃএঃ ফেলোশিপনা অয়াবা পিরবা সাহিত্যাদগী হনদোকচবনি।

Narcotics Anonymous, , , অমসুং The NA Way
রেজিস্টার তৌরবাখুদমশিংনি।
Narcotics Anonymous World Services, Incorporated.

ISBN 978-1-55776-368-6 Manipuri 5/09
WSO Catalog Item No. MP-3124

Narcotics Anonymous®

নার্কোতিক্স এনোনিমশ

IP No. 24-MP

# “হে ! বাসকেত্তু করিগীদমক্তনো?”